ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯖꯨꯟ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯶꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুন ০১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৬৬শুবা মশীং

# কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লোকদাউন শাংদোরকপা

## তাঙ্কক নাইনা অথিংবা লৌথোক্লগা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগদৌরিব্রা?

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা জুন ৩০ ফাওবা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লোকদাউন শাংদোকখ্রে। কন্টেনমেন্ট জোন নত্তবা অতৈ মফমশিংদি তাঙ্কক নাইনা অথিংবা পূন্নমক তপ্না-তপ্না কোমথোক্কদৌরি। মে ৩১দা মতম লোইরগদবা লোকদাউন ৪.০গী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিসু ওইরিবা নেসনল ইগজেক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেন অজয় কুমার ভলানা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী সেক্সন ১০ (২) (১) গী মখাদা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা জুন ৩০ ফাওবা লোকদাউন শাংদোক্লে। কন্টেনমেন্ট জোন নত্তবা অতৈ মফমশিংদা তাঙ্কক নাইনা অথিংবা কোমথোকপগী শরুক অমা ওইনা জুন ৮দগী লাইনীং-লাইশোন তৌফম, হোটেল, রেষ্টুরেন্ট, অতৈ হোস্পিটালিটি সর্ভিস অমদি শোপ্পিং মোলশিংদা থল্লম্বা অথিংবা কোমথোক্কদৌরি। অনলোক তৌদুনা অথিংবা কোমথোকপগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগা কূপ্না খন্নরগা স্কুল, কোলেজ, মহৈ তম্ফম লোইশঙ অমদি কোচিং সেন্টরশিং হাংদোক্কদৌরি। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী এদমিনিষ্ট্রেসন পূন্নমক্না মমা-মপা ওইবশিং অমদি মরী লৈনবশিংগা তানরগা রিপোর্ট পীরক্লবা মতুংদা জুলাই থাদগী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং হাংদোক্লবা ৱারেপ লৌগনি হায়রি। ইন্টর-ষ্টেট বস সর্ভিস তৌহনবগা লোয়ননা ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে। মতৌ অসুম্না হীরম খরদা অথিংবা কোমথোক্লবসু নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লি। জুন ১দগী চৎনবা হৌগদবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ইসেন্সিয়ল সর্ভিসকা মরী লৈনদবা মীওইশিং নুমিদাং পুং ৯দগী অয়ূক পুং ৫ ফাওবা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াখিরোই। জুন ১দগী হীরম খরদা অথিংবা কোমথোক্লবসু ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস, মেট্রো রেল সর্ভিস, সিনেমা হোল, জিম্নাজিয়ম, স্বিমিং পুল, এন্টরটেনমেন্ট পার্ক, থিএটর, বার, ওদিটোরিয়ম, এসেমব্লি হোল অমসুং অতৈ মান্নবা মখলগী মফমশিং অথিংবা থমখিগনি। কা হেন্না মী তিনবা থৌরমশিং অমদি সোসল/পোলিটিকল/স্পোর্টস/এন্টরটেনমেন্ট/একাদেমিক/কলচরেল/রিলিজিয়স ফঙ্কসনশিংসু অথিংবা থমখিগনি হায়রি। মীপূম খুদিংমক পব্লিক প্লেস, থবক মফমদা চঙবা অমসুং গাড়ী তোংবদা ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্কদবনি। দুকানশিংদা পোৎ লৈবা লাকপা মীওইশিংসু ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহনবগা লোয়ননা মতম অমুক্তদা মীওই ৫দগী হেন্না পোৎ লৈবা য়াহল্লোইদৌরি।

থবক মফমদা ঙাক্লা চৎকদবা কাঙলোনগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী ওর্দরনা হায়, য়ারিবমখৈ ময়ূম-ময়ূমদা লৈরগা থবক তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। ওফিস, থবক মফম, দুকান, কৈথেল, লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিয়ল অমদি কর্ম্মসিয়ল ইষ্টাব্লিসমেন্ট পূন্নমক্তা মতম অমুক্তদা মী য়াম্না লাকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। থবক মফমগী চঙফম খুদিংমক্তা থর্মেল স্কেনিংগী খুদোংচাবা লৈহনবগা লোয়ননা খূৎ-শা হাম্নবা অমসুং সেনিটাইজেসন তৌনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। থোঙগী খূৎ পায়ফম্নচিংবা মীয়াম্না তোয়না শোকপা মফম য়াওনা থবক মফম পূন্নমক তোয়না সেনিটাইজেসন তৌবা তঙাইফদে। কনাগুম্বনা কাঙলোন অসি ঙাক্তবা থোক্লবদি মরী লৈনবা এক্টকী মখাদা মতিক চাবা চৈরাক ফংনীংঙাই ওই হায়রি। অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসননা হন্দক্তা শেনবা চহী ২০১৯-২০গী মরিশুবা ক্বার্টর (জন্যুৱারীদগী মার্চ ফাওবা) গী দেটা অমসুং চহী অসিমক্কী জি দি পি গ্রোথ রেটকী প্রোভিজনেল এষ্টিমেট ফোঙলকখি। প্রোভিজনেল এষ্টিমেটকী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯-২০দা ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোন চাদা ৪.২গী চাংদা ফীভম ফগৎলক্লে। কুমজা ২০১১-১২দা বেজ য়র ওইরগা চহী খুদিংগী ফোঙলকপা জি দি পিগী গ্রোথ রেটতা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী চাং হন্থবা ওইরি। মমাঙ চহীগী জুলাইদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা বজেট পুথোকখিবা মতমদা গ্রোথ রেট চাদা ৮.৫ ওইগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা অনীশুবা এদভান্স এষ্টিমেট ফোঙখিবা মতমদসু গ্রোথ রেট চাদা ৫ ওইগনি হায়না থাজবা থমখি। কুমজা ২০১৯-২০গী বজেটতা নোমিনেল জি দি পি চাদা ১২দগী চাদা ১২.৫ ফাওবা হেনগৎলক্কনি হায়না থাজবা থমখ্রবসু চাদা ৭.২দগী হেনবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনদি নোমিনেল জি দি পি চাদা ১১ হেনগৎলকখি। নোমিনেল জি দি পি হন্থরকপগী মওং অসি য়েংলুরগা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্ত্রিঙৈ মমাঙদগী শেন্মীৎলোন শোকচিল্লকপা হৌখ্রে হায়না লৌবা য়ারে। পূন্নমক অসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী থৌশিলদা অশোয়বা খরা য়াওরে হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দ্রে। লৈঙাক্লা হৌজিক লোকদাউনগী কাঙলোন শেমদোক্লগা তাঙ্কক নাইনা অথিংবশিং লৌথোক্কনি হায়রিবসিনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙম্বরা হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

# কোভিদ-১৯গী মনুংদা চীং-তম নুংশিনরকপা

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোভিদ-১৯না কপহনবা, ৱাহনবা, শিহনবা মতমসিদা ঐ হিংখিনি হায়বা ৱাহৈ অসিদগী হেনবা মীওইবগী মমল লৈতে। হোংবা নাইবা মীওইবগী পুন্সিনি। হিংবু হিংলবদি করি ৱাৎকনি। থাজগী মশক ওইবা পূক্নিং, নুমিৎকী মশক ওইবা বুদ্ধি, ধর্ম্মগী মশক ওইবা অচুম্বা, নুংশিবদগী হেনবা অতোপ্পা মমল লৈতে। অদুগা শিবা হায়বা অসিসু অতোপ্পনা মহুৎ শিনবা য়াদে অদুনা হিংফম থোকপদু হিংবা তাই। ইপা ইপুনা হায়রম্বা ৱাহৈ ‘হন্নচীংদগী কারকপা মঙাং য়েক ওইবা অমনা কংলা মীরেপ পুংদা পাল্লগদবনি। খান্বী মৈথক্তা নেত্তুনা পানগনিয়ে। মতুং হাক্লা লৈরগা অচায়বী ওন্দুনা চায়রকপনা অৱা মৈশা লাংগনিয়ে। মাগী মতমদা চীংগা তমগা পূনগনি। মহৌশাগী লীচৎহলক্কনি। ফৌমান য়ানবা ময়াম ফৌমান খনবগুম চৎখিনি। হৈজরবদি চহী মঙা পানগনি।’

কোভিদ-১৯গী ৱারবা মতমসিদা চীংগা তমগা নুংশিনবগী খোঙথাং থাংজিন্নবা হৌরক্লে। চীং-তম এঞ্জাং লান্নদুনা চামিন্নরে। চীংগী মীনা তমগী অৱাবা উরক্লে, তমগী মীনসু চীংগী অৱাবা উরক্লে। অৱাবা মশেল পোনদুনা মচিন মনাও ওইবগী মরী ফাওনবা হৌরক্লে। হিংবগী মরম অমা লৈ, মদু হান্না খঙবা তাই। খুন্নাই অসিবু হিংহনবা, খুন্নাই অসিবু য়োকখৎপা, খুন্নাই অসিবু শেমগৎপগী মতিক চাবা থৌদাং ঐখোয় ঐখোয়না তশেংনা খঙফম থোকই। পোকপগী, চাবগী, থকপগী, হিংবগী মমল ইমা কৌরগা কোক্লবা য়ারোই।

ঐখোয়গী লৌউ-শিংউবা ঈশিংগী মপান তাংবনি ঐখোয়গী ইন্দষ্ট্রি মমাগী পীবুক্লুংদগী মপান্দা ফাওরকপা ঙমদ্রি। চাথোক পুথোকপা ঙমদ্রি। শেল-থুমগী ইকনমি ফগৎত্রি। ঐখোয়গী স্কুল প্রাইভেট স্কুলনা কোকথক্তা নেথরি। স্কুল বিল্ডিং লুবা নানবা ৱাৎলি। থক্লবা ঈশিং ফংদ্রি। মরন্নাই ৱাখলনা মরু ওইবদগী লৈবাক্কী থৌগল নিংথিনা তৌবা ঙমদ্রি। মহৈ মশীন তম্বদা অনৌবা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী অমসুং মোর্দনিজমগী ত্রেদিসন্দা চঙশিনবা তাই। পূন্নমক অসিগী পান্দম ফংনবা শেল-থুমগী অচেৎপা য়ুম্ফম অমা থোনবা চঙই। চাইনা, জপান, কোরিয়া, থাইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়ানা শেল থুমগী থাক্তা এসিয়াগী মকোক থোংবগুম ঐখোয়গীসু পান্দম অমা থম্বা চঙই।

*অদোমগী - য়ূম্নাম নিংথেম, কোংপাল*

# লৌমীশিংগী কাখল

# লৌফমদগী কৌজেং ঙাকথোকপা

ডো: এম থোইথোই



মহৈরোয় ওইরিঙৈদা ওজা অমনা হায়বীখি “কৌজেংদি শঙ্গু-শঙ্গু চৎপনি। নথন্তনা ঙাকথোকপা ঙম্লোই। নখোয় শঙ্গু-শঙ্গুনা ঙাকথোক্কদবনি।” কাউনীংঙাই ওইদে। তশেংনমক ঐগী লৌফমদুখক হীদাক কাপথোক্লবসু হীদাক্কী ময়াক হন্থরকপা মতমদা থংনবা লৌফমদগী কৌজেং চঙলক্কনি কান্নবা লৈররোই। মরম অসিনা তঙাইফদনা কৌজেংশিং ঙাকথোক্লবগীদমক্তি থংনবা লৌফমগী মীওইশিংগা পূনশিন্নরগা চঙশিনমিন্নবা ফৈ।

ফৌদা তাবা তীল মখলসি পূন্না ১০০০ মুক শুই হায়না পানৈ। অদুমকপু তীল পূন্নমক লৌফম অমদা পূন্না তাবদি নত্তে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা অঙৈং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ খেন্নবগী মতুং ইন্না তীল মখল খেন্ননা তাই। মণিপুরগী লৌফমশিংদা তীল মখল ১৫/১৬ মুক থেংনরবসু মরু ওইবা তীল মখল তরেৎ-নিপালখক্কীনি লৌমীশিংনা ৱারিবা, ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা। হান্না কয়া মরু ওইরমদবা তীল অকনবা ওইরকপা, অকনবা ওইরম্বা কয়া অমা অতোপ্পা চহীদা মরু ওইদবা তীল ওইবা য়াওই। কুম অমগা কুম অমগসু তীল তাবগী মওং অমসুং মখল খেন্নে। লমদমসিদদি অয়াম্বা লৌফমশিংদা ইঙেল্লাই চুবী, নুংয়েং, উতোং, মনা কোনশিনবী, মরেক, ৱাইকুপমানবী, মনা অমসুং চরোং চিকপী মমিং পনবা য়াই। কৌজেংগীদমক কিনরি। কৌজেং ফৌখক্তদা তাবা তীল নত্তে। পান্বী মখল কয়াদসু তাই। অকক্লবা পান্বীগী ৱা লৈতে। কৌজেং মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না মওং মতৌ শাজত্তা খেন্নবা লৈ। কৌজেং মখল খরদি মরূমদগী মচা ওল্লিবা মফমদুদগী কিলোমিটর ৬৪৪০ থাপ্পা মফম ফাওবা শঙ্গু ওইনা পাইবা ঙম্মী। মিটর ৪৬০০ ৱাংবা চীংলোন লানবসু ঙম্মী হায়বগী রিপোর্ট লৈরিবনি।

মচাদগী মপী ওল্লক্লবা মতুং থা অনী অহুমগী মনুংদা অমোম-লাবা হকতিন্নদুনা লৌরীশিং অমসুং কংলবা লৌফমশিংদা মথুন থিংজিন্দুনা মরূম কোকশিল্লি। মে অমসুং জুন থাদগী হৌনা মরূমদগী মচা ওন্দুনা লৌবুকশিংদা তাবা হৌই। কংলবা লৈবাক মনুংদা লৈরিবা মরূমশিং মচা ওন্দনা কুইনা লৈবা ঙম্মী। কুমগী নোং লাকপগা ঈশিং ঈনিল ফংলকপদগী মরূমশিং মচা ওল্লি। চহীগী অহানবা নোং চুখ্রবা মতুং মতম খরা লৈরগা মরূমদগী মচা ওল্লকপা হৌই। মরম অদুনা নোং ঙন্না চুবা চহীদা তীল অসিনা ঙন্না থোরকই।

ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :-

১) লৌবুকশিংদা উচেক্কী কাইদোংফম শেম্বা ফৈ। ফুট ২.৫দগী ফুট মরি ফাওবা ৱাংবা, ৱাংবা মান্নদবা উচেক্কী কাইদোংফম ফুট ২০-৩০ কান্ন-কান্ননা য়ুংবীবা ফৈ। মসিনা মান্নদবা উচেকশিং তোংনীংবা মফমদা তোংবা খুদোং চাহল্লি। মসিগীদমক চৈ অমা য়ুংলগা ফৈরা অমা হাপ্লগা ‘টি’ মওংদা শেম্বা য়াই। অসিগুম্বা কাইদোংফম লৈরবদি তীল হেক লৈবা মফমশিংদা উচেকশিং লাক্কনি।

২) হীদাক কাপ্নবগীদমক্তদি হীদাক মখল কয়া শীজিন্নবা য়াই। অদুম ওইনমক লৌফম মচি অমখক্কী হীদাক কাপথোক্তুনা ফহন্নবা হোৎনবা মায় পাক্কন্দে। থংনবা মীওইশিং পূনশিন্দুনা অকক্লবা নুমিৎ অমদা পূন্না কাপথোকমিন্নবা ফৈ। মসিদা SPEED (Chloropyriphos), Quinanphos শীজিন্নবীবা য়াই। Chloropyriphos 20% মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা লৌরী অমসুং লৌফমদু মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোকপীগনি।

৩) মৈঙান্দা পাইশিনবা তীল ওইবনা ইলেক্ট্রিক শীজিন্নবগী খুদোংচাবা মফম ওইরগদি বল্প অমা থাল্লগসু য়াই। বল্বসিগী মখাদা অপাকপা পাত্র অমদা তীল হীদাক য়াল্লবা নৎত্রগা কেরোসিন য়াল্লবা ঈশিং ওইরবসু থমগনি । বল্ব অমসুং পাত্র অনীগী মরক্তা ফুট অমদগী পংহেন হেন্না থাপহন্দবা ফৈ। মৈঙালনা চিংশিল্লক্লবা কৌজেংদা নত্তনা অতৈ তীল কয়াসু পাত্রদুদা তাহন্দুনা হাৎপা য়াই।

৪) য়ারিবমখৈ লৌরি নান্না থম্বা ফৈ। লৌকোন অমগী লৌরী খুদিংমক য়াম্থোক্তুনা লৌমী ময়াম মান্নদুনা লৌরি নৌনা শাবা ফৈ। কালেন্দা লৈচং লৈনা খোয়দোক্তুনা লৈবাক মখল মখা ওন্থোকপা য়াম্না কান্নগনি। মসিনা লৈনুং তীলশিং মথক্তা পুখৎলক্তুনা নুংশানা হাৎহল্লি। উচেকশিংনসু চাথোকহনখিবগী মথক্তা লৈবাক লৈহাওসু কাহল্লি। ●

# মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট করিনো, খঙজিনবদা কান্নবা খরা

\- এস সুমঙ্গল -




পান্বীনা মপূং ফানা শাহৌ ফনা হৌদুনা মহৈ নিংথিনা য়ানবা ঙম্নবগীদমক তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা মচিঞ্জাক মচল ১৮গী মনুংদা মখোয় মাপন অমদি য়াম্না য়ামদনা চঙই হায়দুনা মাইক্রো (য়াম্না পিকপা, খজিক্তমক চঙবা) ন্যুত্রিএন্ট হায়না খঙনৈ। য়াম্না চঙদে হায়দুনা মরু ওইদে হায়বদি নত্তে। মখোয়শিং অদুদি আইরন, মেঙ্গানিজ, জিঙ্ক, কোপর, বোরোন, মোলিবদেনম, নিকেল, কোবাল্ট অমসুং ক্লোরিন অসিনি। অতোপ্পা মচল খরা - খুদম ওইনা সিলিকোন, ভেনাদিয়ম অমসুং সোদিয়ম হায়রিবশিং অসিনা পান্বী খরগীদি শাহৌ ফহনবা থেংনৈ হায়বগী পাউদম পল্লি। পান্বী নত্তবা মীওইবা য়াওনা শাশিং (এনিমেল) গী ওইনা হায়রবসু পঞ্জিখ্রবা মচল খুদিংমকসি তঙাইফদে লোয়ননা পান্বীগী ওইনদি মথৌ তাদবা শাশিংগী ওইনদি তঙাইফদবা খরা অমসু লৈরি। মখোয় অদুদি সিলেনিয়ম, ক্রোমিয়ম, তিন, আইওদিন, ফ্লোরিন পনবা য়াই। পান্বী অমগা অমগা খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়শিং অসিগী চঙগদবা চাং খেন্নে। মখোয়গী চপ চাবা চাং অমদা পান্বীশিংনা ফংদ্রবদি পান্বী মপূং ফানা হিংবা ঙমদে। ৱাৎলবসু ফত্তে হেল্লবসু পান্বীদা হূ ওই। হায়রিবা মচলশিং অসিগী খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম খরা নৈনদুনা য়েংসি।

মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিংগী ৱাফম মরু ওইনা খন্নরক্লিবা অসিগী মরমসি মখাগী ফীভমশিং অসিনা ওইহল্লকই।

১। লৌফমশিংদগী অহেনবা পোখোক পুথোক্লবা হোৎনরকপনা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট চাং ৱাংনা লৌথোকখিবা।

২। ষন্থি ষণয়ুংগী, কম্পোষ্টকী হার শীজিন্নবগী মহুৎতা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টকী শরুক য়াওদবা খূৎশেমগী হার কা হেন্না শীজিন্নরকপা।

৩। অফবা খূৎশু খূৎলায়গী মতেংনা টেষ্ট তৌদুনা লৈবাক লৈহাওদা হান্না খঙনরমদবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টকী অৱাৎপা খঙনরকপা লোয়ননা

৪। মাইক্রোন্যুত্রিএন্টতি ৱাৎলবা অদুবু ৱাৎপগী খুদমদি উত্তবা মশা ফবা মানবা পান্বী মনা-মশিং চাবনা হকচাংদা অৱাৎপগী লায়না দেফিসিএন্সিগী লায়না নাবা থেংনরকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অতোপ্পা খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম খরনা মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই।

১। য়াম্না য়ামদনা চঙলবসু ৱাৎলবদি পান্বী চাউবা হেন্দবা, চাথোক হন্থবা, মতোন শিজিল্লকপা, শিবফাওবা য়াওরকপা য়াই। লোয়ননা খজিক্তং মতম চানা চাইবিহৌবা মতমদা পান্বীনা নিংথিনা চাথোক পুথোকপসু ঙমহনবা মগুনশিং মাইক্রোন্যুত্রিএন্টতা চেল্লি।

২। লৌউ বৈগ্যানিকশিংনা মচলশিংসিগী লৈবাক্তা য়াওবগী চাং অসি অহুম থোক্লা থম্মী - ক) অৱাৎপা চাং, খ) চপ চাবা চাং , গ) অহেনবা হূ চেনবা চাং।

৩। মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংগী ওইনদি মসিগী চাং অসি খরা চাউনা লৈবা থেংনৈ হায়বদি খরা হেনবা নৎত্রগা খরা ৱাৎপদা খঙবা ঙমদে অদুবু মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট অয়াম্বগী ওইনদি চাং অসি য়াম্না য়ামদনা লৈ, হায়বদি খিত্তং ৱাৎপা নৎত্রগা খিত্তং হেনবদা হেক্তা ফোঙদোরকই হায়রি। খুদম ওইনা হায়রবদা বোরোনগা মোলিবদেনমগা ৱাৎলবা লৈহাওদা লৌ পরিদা য়াম্না য়ামদনা পান্বীনা লৌখৎপা ঙম্বা মওংদা লৈবা মখলগী অনী অসি কিলো ৩-৪ চাইবদা হূ ওইহনবা য়াই। অতোপ্পা মচল খরগীদি হূ চেনবা খঙদবসু য়াই। অমুকসু ইন্দষ্ট্রি, ফেক্টরিশিংগী মচুম ফংবা মফমশিং, ওকথি কা হেন্না শীজিন্নবা মফম, কোপরগী কোকফাই হীদাক য়াম্না শীজিন্নবা মফমশিংদা কোপর অমসুং জিঙ্ককী হূ চেনবা চাংদা য়াওবা থেংনবা য়াই।

৪। ঈথৈসু লৈতবা, পি ঐচ ভেল্যু ৱাংবা মফম (অয়াকপা, মণিপুরগী ওইনদি লৈতে হায়বা য়াই) দদি মোলিবদেনম য়াম্না ৱাংনা য়াওবা য়াই। করিগুম্বা মতমদা অসিগুম্বা মফমদা হৌবা পান্বী/নাপী শিংনাশিংনা মচল অসি কা হেন্না হূ চেনবা মওংদা চুপখৎলম্বা য়াই। অসিদসু নত্তনা মসিদা শজিক চারুবা শা-ষণশিংদফাওবা হূ ওইহনবা য়াই। অসিগুম্বা মফমদা বোরেনসু পান্বীদা মাঙনবা মওংদা য়াওবা য়াই। মরম অসিনা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হাপ্পদা চেকশিনবা ফৈ।

মতাং অসিদনি সোইল টেষ্ট তৌবগী তঙাইমক ফদবা লাক্লিবসি। অৱাৎপা শরুক মেনখৎনবা লৈবাক্তা চাইবগী মহুত্তা মনাদা চাইবনা কান্নবা হেল্লি, অদুবু ওর্গানিক কম্পোষ্ট শীজিন্নবা, থারিবা পান্বীগী লেমহৌখাকশিং মাঙহন্দনা নিংথিনা লৈবাক্তা হঞ্জিনবীবা অসিনচিংবা কয়ানা লৈহাওদগী মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মাঙবগী চাং হন্থহনবা য়াই।

৫। করিগুম্বা মতমদা ঈশিং চনবদা শীজিন্নরিবা ঈশিংদা বোরোন, মোলিবদেনম অমসুং সিলিনিয়মশিংগী চাং অসি পান্বী খরবু মাঙহনবা য়াবা চাংদা য়াওরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মতাং অসিদনি ঈশিং টেষ্ট তৌবগী তঙাইফদবা লাক্লিবসি।

**মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসিনা লৌরিবা মরু ওইবা থৌদাংশিং :**

মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংনা পান্বীনা হিংবগী মরু ওইবা থৌদাং কয়া লৌই। অয়াম্বা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংনা এঞ্জাইমশিংগী মথৌ পাঙথোকপদা থৌদাং য়াই। মচলশিং অসিনা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা মথৌশিংসু পাঙথোকই। খুদম ওইনা পান্বীনা মচিঞ্জাক শুবা (ফোটোসিন্থেসিস) মতমদা থোক্লিবা ইলিমেন্ট অমগা অমগা পুনশিন্নবা খাইদোক্লবা রিএক্সন কয়াদা আমদি পান্বীনা মচিঞ্জাকশিংবু শীজিন্নবদা কোপর, মোলিবদেনম অমদি আইরননা অচৌবা থৌদাং য়াই। জিঙ্ক অমসুং মেঙ্গানিজনা এঞ্জাইমশিংনা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিংবু তুমহনবা মতমদা এঞ্জাইম অমসুং মচিঞ্জাক অনীগী মরক্তা থোং শাদুনা শম্নহনবদা মতেং পাংই। পান্বী অমসুং হিংকুপশিংগী মনুংদা নাইত্রোজেনবু মওং অমদগী অমদা ওন্থাং ওনশিন তৌবদা থৌদাং য়াই। মোলিবদেনম অমসুং আইরন অনী অসি নুংশিৎতগী নাইত্রোজেন ফাজিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা এঞ্জাইম মখল অমা শেম্বদা চঙই। মোলিবদেনমদি অতোপ্পা এঞ্জাইম অমদসু য়াওই।

নিকেল অসিদি হাইয়র প্লান্টশিংগী চঙদবা য়াদবা মচল ওইনা খঙনরকপা কুইদ্রি। য়ুরিএজ কৌবা য়ুরিয়াবু এমোনিয়াগা কার্বোন্দাইওক্সাইদকা অনীদা ওন্থোকপা এঞ্জাইম অমা মথৌ পাঙথোকপদা থৌদাং য়াই। নিকেল ৱাৎপা হৱাই পান্বীশিংগী মনাদা অহেনবা য়ুরিয়া হূ ওইবা চাংদা তুংশিল্লি। নিকেল ৱাৎপা ফৌ, চুজাক, গেহুনচিংবা পান্বীশিংগী মরূ মতোন থোকপা ঙমদে।

জিঙ্ক অসি পান্বীশিংনা প্রোটিন শুংবদা থৌদাং য়াই, হোর্মোন মখল খরা শাবদা চঙই, লোয়ননা পান্বীনা মপান শাবা অমসুং মহৈ য়ানবদা থৌদাং চাউনা লৌই। কোপর অমসুং মেঙ্গানিজনা পান্বীনা মচিঞ্জাক শুংবা শৰর হেনবা মতমদা থৌদাং য়াই অমসুং কোপরদি আইরন শীজিন্নবদসু শরুক য়াই। অসিদসু নত্তনা সেলশিংগী অকনবা শরুক লিগ্নিন শাবদা কোপর চঙই। বোরোনগী অশেংবা থৌদাং অসি তশেংনা খঙদ্রবসু মসিনা সেলশিং মচা পোকপদা, পান্বীনা ঈশিং চুপখৎপদা, পান্বীনা শুংবা চনাংগী শরুক মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌবদা থৌদাং য়াই হায়না থাজনৈ। আইরন্না পান্বীগী অশঙবা শরুক (ক্লোরোফিল) শেম্বদা অমসুং মাঙহনবদা শরুক য়াই। লোয়ননা প্রোতিন শুংবদা থৌদাং লৌই অমসুং পারি-পুরিগী মচাক ন্যুক্লিক এসিদ শাবদা শরুক য়াই।

ক্লোরিনগী মথৌসি তশেংনা পুথোকপা ঙমদ্রবসু মচিঞ্জাক শুংবা অমসুং মরা শেম্বদা থৌদাং য়াই হায়না লৌনৈ। কোবাল্টনা নুংশিৎতগী পান্বীনা হিংকুপশিংগা লোয়ননা নাইত্রোজেন ফাজিনবদা মতেং পাংই। মসি নত্তবা থৌদাং অতৈসু লৌই।

মরুওইবা থৌদাং কয়া অমা লৌরিবা য়াম্না চঙদ্রবসু চঙদবা য়াদ্রবা মচন মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসিগী মরু ওইবা খঙদুনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌদুনা মখোয়বু চাং চানা শীজিন্নদুনা মশা ফবা পান্বী পুথোক্তুনা হকচাং ফনা, অৱাৎপগী লায়না নাদনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা মতম ওইরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।